# বেদমিন্টনগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন পি ভি সিন্ধু টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা মায় পাকখ্রে, টেবল টেন্নিসতা মনিকা বট্রা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে, নুপাগী হোক্কীদা ইন্দিয়া ওষ্ট্রেলিয়াগী মখূৎতা পাঞ্জল ১-৭তা মায়থীখ্রে

টোকিও, জুলাই ২৫ (এজেন্সী): নুপীগী বেদমিন্টনগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরিবী ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা ঙসি শান্নখিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী নুপীগী সিঙ্গলসকী গ্রুপ জেগী অহৌবা মেটচতা মায় পাকপা ঙমখ্রে। টেবল টেন্নিসতা ইন্দিয়াগী কমনৱেল্থ চেম্পিয়ন ওইরিবী মনিকা বট্রা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখ্রে। নুপাগী হোক্কীদা ইন্দিয়াগী টিম ওষ্ট্রেলিয়াগী মখূৎতা য়াম্না শোথনা পাঞ্জল ১-৭তা মায়থীবা নংখ্রে।

মশাগী চহী ২৬ শুরবী নুপীগী বেদমিন্টনগী দিফেন্দিং ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরিবী অদুগা ২০১৬ রিও ওলিম্পিক গেমসতা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখিবী পি ভি সিন্ধুনা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী অহানবা মেটচতা ইজরেলগী শান্নরোয় সেনিয়া পোলিকার্পোভাবু য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট গেম অনীদা মায়থীবা পীখি। মশাগী চহী ২৬ শুরবী পি ভি সিন্ধুনা টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসিদা ৬শুবা সিদেদ শান্নরোয় অমা ওইনা শরুক য়ারকখিবনি। মহাক্না ৫৬শুবা রেঙ্কতা লৈরিবী ইজরেলগী সেনিয়া পোলিকার্পোভাগা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুদা কা-হেন্না ৱাদনা ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১-৭, ২১-১০দা থোইদুনা মথংগী রাউন্দদা হোং কোংগী শান্নরোয় ৱর্ল্ড নম্বর ৩৪ সিয়ুং ঙান য়িগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপীগী টেবল টেন্নিসতা ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান শান্নরোয় অদুগা কমনৱেল্থ গেমসকীসু চেম্পিয়ন ওইরিবী মনিকা বট্রানা মঙোন্দগী থাক হেন্না ৱাংখিবী যুক্রেনগী মার্গারিটা পেসোটস্কাবু মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি। মনিকা বট্রা ৱর্ল্ড নম্বর ৬২দা লৈরিবনি। অদুগা ঙসি মহাক্কী লম্বা ওইখিবী মার্গারিটানা ৱর্ল্ড নম্বর ৩২নি।

ঙসিগী মেটচ অদুগী হৌরকপা গেম অনী যুক্রেনগী শান্নরোয় মার্গারিটাগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা হেন্দুনা অমদি মনিকা বট্রাগী মায়কৈদগী অশোয়বা কয়া য়াওখিবা অদুনা মরম ওইরগা ১১-৪, ১১-৪দা গেম অনী থোইরগা মাঙজিল থাখি। অদুবু হোৎনবা কনবা মনিকা বট্রাগী মায়কৈদগী অহুমশুবা গেম অদু ১১-৭তা থোইরগা মরিশুবা গেমদা অহেনবা লম্বা থেংনরবা মতুং ১২-১০দা থোইদুনা গেম ২-২ মান্নদুনা লৈখি।

মঙাশুবা গেমদা ইজরেলগী শান্নরোয় অদুনা মনিকা বট্রাগী অশোনবা মায়কৈ খরদা খূদোংচাবা লৌদুনা ১১-৮দা থোইরগা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অদু গেম ৩-২দা মাঙজিল থাখি। অদুবু মনিকা বট্রাগী মায়কৈদগী মহাক্কী ফজবা মশান্না অদুগী ফীভম লাক্তুনা ৬শুবা গেম অদু ১১-৫দা থোইরবা মতুং ৭শুবা গেম অদুসু ১১-৭তা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা ওষ্ট্রিয়াগী ওলিম্পক গেমস অসিদা ১০শুবা সিদেদ ওইরিবী সোফিয়া পোলকানোভাগা লম্বা তৌনরগনি।

টেবল টেন্নিসকী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান শান্নরোয় ওইরিবা গনসেখরন সাথিয়ান মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা মঙোন্দগী থাক হন্থনা লৈখিবা হোং কোংগী শান্নরোয় সিয়ু হাং লাংগী মখূৎতা গেম ১-৩দা মায়থীবা নংদুনা দিসিপ্লিন অসিদা নুপাগী ইন্দিয়াগী লম্বা লোইশিনখি।

ইন্দিয়াগী ওইনা মেদলগী অচৌবা পান্দম থম্লিবা নুপাগী হোক্কীগী ওইনা ঙসি শান্নখিবা পুল এগী অনীশুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী টিম ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওষ্ট্রেলিয়ানা পাঞ্জল ৭-১দা মায়থীবা পীখি। মেটচ অদু হৌবদগী ওষ্ট্রেলিয়ানা ইন্দিয়াবু খূদুম চনবা ঙমখি। অহানবা হাফতা ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদগী দেনিএল বিল, জেরেমি হেৱার্দ, এন্দ্রু ফ্লিন্ট অমসুং জোসুৱা বেল্টজনা পাঞ্জল ৪ চনবা ঙমখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদা ইন্দিয়াগী দিলপ্রিট সিংহনা পাঞ্জল ১ হন্দোকপা ঙমখ্রবসু মখা তানা ওষ্ট্রেলিয়াগী ব্লেক গোভর্সনা ৪০ শুবা অমদি ৪২ শুবা মিনটতা পাঞ্জল ২ অমদি টিম অদুমক্কী টিম ব্রেননা ৫১শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১গা চল্লগা ইন্দিয়াবু য়াম্না হেনবা মওংদা ৭-১দা থোইখি। লৈবাকপোকপা নুমীৎতা ইন্দিয়ানা পুল এগী অহুমশুবা মেটচ অদু স্পেনগা লম্বা তৌনগদৌরি।

স্বিম্মিং : ইন্দিয়াগী নুপীগী স্বিম্মর মানা পটেলনা ঙসি অয়ুক পাঙথোকখিবা নুপীগী মিটর ১০০গী বেকষ্ট্রোক ইভেন্টকী হিটতা অনীশুবা পোজিসন তাদুনা সেমীফাইনেল য়ৌবগী খূদোংচাবা অদু লোইশিনখি। পটেলনা মিনট ১:০৫.২০ দা জিম্বাৱেগী দোনাকা কটাইগী মিনট ১:০২.৭৩দগী শোথদুনা অনীশুবা পোজিসন তাখিবদগী লৈহৌবনি।

নুপাগী কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী নটরাজনা চপ মান্নবা ইভেন্ট অসিদা সেকেন্দ ৫৪.৩২দা কম্পিটিসন অদুগী হিটকী অহানবা রাউন্দদা লৈখিবদগী সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদে।

জিম্নাষ্টিক্স : ইন্দিয়াগী টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা অমত্তা ঙাইরবা শান্নরোয় ওইনা শরুক য়াখিবী প্রনাটি নায়কনা আর্টিষ্টিক দিসিপ্লিনদা ঙসি কেটগোরি ৪দা পোইন্ট ৪২.৫৬৫ ফংলগা লৈখিবদগী ফাইনেল রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিদে। মহাক ফ্লোর এক্সর্সাইজ, ভোল্ট, অনইভন বার্স অমদি বেলেন্স বিমদা শরুক য়ারকপদা ২৯শুবা পোজিসন তাহৌবদগী ফাইনেল রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিদবনি।

বোক্সিং : কমনৱেল্থ গেমসকী সিলভর মেদলিষ্ট অমদি বোক্সিং ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী বোক্সর মনিশ কোশিকনা কিলোগ্রাম ৬৩গী কেটগোরিদা ঙসি বৃটেনগী বোক্সর লুক মেককোর্মাককা লম্বা তৌনবদা অহানবা রাউন্দ অদু স্কোর ১-৪দা মায়থীবা নংখি।

শুটিং : ইন্দিয়াগী নুপীগী শুটর ৱর্ল্ড নম্বর ২ ওইরিবী মশাগী চহী ১৯দা ঙাইরিবী মানু ভাকর নুপীগী মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা ফজরম্বদগী মহাক্কী পিষ্টোল অদুগী টেক্নিকেল প্রোব্লেম লাকপদগী ফাইনেল রাউন্দ য়ৌবা ঙমদদুনা মেদলগী খূদোংচাবা লৈখিদে। অমরোমদা, অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শুটর য়েসাস্বিনি দেশৱালসু ফজবা ঙমখিদবদগী মেদল রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিদে।

টেন্নিস : ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা টেন্নিস শান্নরোয় সানিয়া মির্জা অমদি অনকিটা রাইনা নুপীগী দবলসকী অহানবা রাউন্দদা যুক্রেনগী ফাইবোক নাদিয়া অমদি লুটমিলাগী মখূৎতা ৬-০, ৬-৭ (০-৮), ৮-১০দা মায়থীহৌখি।

সেলিং : ইন্দিয়াগী সেলর নেথ্রা কুমানন অমসুং বিষ্ণু সরাবন রেস অনী লোইশিল্লকপদা ২৭শুবা অমদি ১৪ শুবা পোজিসনদা লৈরি। মখোয় অনী মখা তাবা রাউন্দশিংদা ফজবা ঙম্লবদি মেদল ফংবগী খূদোংচাবা লৈরি।



**Tokyo Olympic Games Medal Tally**

| Rk | Country | G | S | B | T |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | China | 6 | 1 | 4 | 11 |
| 2 | Japan | 5 | 1 | 0 | 6 |
| 3 | USA | 4 | 2 | 4 | 10 |
| 4 | South Korea | 2 | 0 | 3 | 5 |
| 5 | ROC | 1 | 4 | 2 | 7 |
| 6 | Italy | 1 | 1 | 3 | 5 |
| 7 | Australia | 1 | 1 | 1 | 3 |
| 7 | France | 1 | 1 | 1 | 3 |
| 9 | Hungary | 1 | 1 | 0 | 2 |
| 9 | Tunisia | 1 | 1 | 0 | 2 |
| 11 | Austria | 1 | 0 | 0 | 1 |
| 11 | Ecuador | 1 | 0 | 0 | 1 |
| 11 | Iran | 1 | 0 | 0 | 1 |
| 11 | Kosovo | 1 | 0 | 0 | 1 |
| 11 | Thailand | 1 | 0 | 0 | 1 |
| 11 | Uzbekistan | 1 | 0 | 0 | 1 |
| 17 | Canada | 0 | 2 | 0 | 2 |
| 17 | Netherlands | 0 | 2 | 0 | 2 |
| 19 | Brazil | 0 | 1 | 1 | 2 |
| 19 | Chinese Taipei | 0 | 1 | 1 | 2 |
| 19 | Great Britain | 0 | 1 | 1 | 2 |
| 19 | Indonesia | 0 | 1 | 1 | 2 |
| 19 | Serbia | 0 | 1 | 1 | 2 |
| 24 | Belgium | 0 | 1 | 0 | 1 |
| 24 | Bulgaria | 0 | 1 | 0 | 1 |
| 24 | Colombia | 0 | 1 | 0 | 1 |
| 24 | Georgia | 0 | 1 | 0 | 1 |
| 24 | India | 0 | 1 | 0 | 1 |
| 24 | Romania | 0 | 1 | 0 | 1 |
| 24 | Spain | 0 | 1 | 0 | 1 |
| 31 | Germany | 0 | 0 | 2 | 2 |
| 31 | Kazakhstan | 0 | 0 | 2 | 2 |
| 31 | Turkey | 0 | 0 | 2 | 2 |
| 31 | Ukraine | 0 | 0 | 2 | 2 |
| 35 | Estonia | 0 | 0 | 1 | 1 |
| 35 | Israel | 0 | 0 | 1 | 1 |
| 35 | Mexico | 0 | 0 | 1 | 1 |
| 35 | Mongolia | 0 | 0 | 1 | 1 |
| 35 | Slovenia | 0 | 0 | 1 | 1 |
| 35 | Switzerland | 0 | 0 | 1 | 1 |

## দোমিনোজনা ওলিম্পিক সিলভর মেদলিষ্ট মিরাবাইদা পূন্সি চুপ্পগী পিজা লেম্না চাবগী ওফর পীখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচ এন এস): টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী পুৱারীদা ওলিম্পিক গেমস অমগী মেদল ইভেন্টকী অহৌবা নুমীৎতা মেদল ফংবগী রেকোর্দ থম্বা ঙমখ্রবী ৱেথলিফটর মিরাবাই চনুদা দোমিনোজনা মহাক্কী মখা তারকপা পূন্সি চুপ্পা পিজা লেম্না চাবা য়াবগী ওফর পীখ্রে।

কিলোগ্রাম ৪৯গী নুপীগী ৱেথলিফটিং কম্পিটিসনদা সিলভর মেদল ফংখিবী মিরাবাই চনুনা মমাংদা টেলিভিজন চেনেল অমগা ৱারী শানবদা কুইনা দাইটিং তৌরুরবা মতুং পিজা চানিংই হায়বা ৱাফম ফোঙদোক্লকখিবা অদুদা মল্টি নেসনল ব্রান্দ অমা ওইরিবা দোমিনোজনা মহাক্কীদমক্তা পূন্সি চুপ্পগী ওইনা চানিংবা পিজা লেম্না চাবা য়াবগী ওফর তৌখিবনি।

কোভিদ-১৯গী অথিংবা লৈরিঙৈ মনুং অসিদা দোমিনোজ পিজানা মিরাবাইবু ইকাই খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা ঙরাং ইম্ফালদা লৈবা দোমিনোজ পিজাগী গেষ্ট দিলাইট মেনেজর মোইরাংথেম য়েংখোইবা মৈতৈ অমসুং গেষ্ট দিলাইট এসোসিএট মেনেজর ভিমকুমার রাইগা পূন্না নোংপোক ককচীংদা লৈবা মিরাবাইগী য়ুমদা চৎতুনা মহাক্কী অপোকপা অমসুং অপোকপীগা লোয়ননা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা দোমিনোজ পিজাশিং পুদুনা মফম অদুদা হরাউ তয়াম্না নুংঙাইবা ফোঙদোকমিন্নবগা লোয়ননা পিজা চামিন্নখি হায়রি। দোমিনোজ পিজাগী মায়কৈদগী সাইখোম মিরাবাইনা পূন্সি চুপ্পগী ওইনা অকক্লবা কাঙলোন অমত্তা য়াওদনা মহাক্কী মায়কৈদা লেম্না পিজা ফংহনগনি হায়বগী ৱাফম অদু থমখি। মণিপুর খক্তা নৎতনা ইন্দিয়াগী মফম খূদিংমক্তা মহাক্না পিজা চাবদা শেল তিংলরোই।

## ৱর্ল্ড নম্বর ৱান এস্লি বার্টি অহানবা রাউন্দদা মায়থীহৌরে



টোকিও, জুলাই ২৫ (এজেন্সী): নুপীগী টেন্নিসকী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবী ওষ্ট্রেলিয়াগী এস্লি বার্টি টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দদা য়াম্না শোথবা মওংদা মায়থীহৌরে।

মমাং থাদা লোইশিনখিবা ৱিম্বলদন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী চেম্পিয়নসু ওইরিবী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান এস্লি বার্টিনা ঙসি নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দদা ৱর্ল্ড নম্বর ৪৮ শান্নরোয় স্পেনগী সারা সোরিবস টোর্মোগা লম্বা তৌনরকপদা অহানবা সেটতা মহাক্কী মায়কৈদগী অশোয়বা খরা লৈখিবনা সর্ভিস গেম অমা মাঙজরগা ৪-৬তা মায়থীখি।

অনীশুবা সেটতা স্পেনগী শান্নরোয় অদুনা এস্লি বার্টিগী অশোনবা মফমশিং অদুদা এটেক তৌশিন্দুনা অমুক্কা হন্না সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬-৩দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা ফ্রান্সকী ফিওনা ফেরোগা শান্নরগনি।

## মিরাবাই চনুনা ইন্দিয়াগী ওলিম্পিক মেদল ফংলকপদা থাগৎপা মখা তানা ফোঙদোক্লরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচ এন এস): জপানগী কোনুং টোকিওদা ঙরাংদগী হৌখিবা চহী ৪/৪ লৈরগা পাঙথোকপা মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা শান্নবগী কুম্মৈ ওইরিবা ওলিম্পিক গেমস কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা হৌখিবা চহীদা পাঙথোক্লমগদবা অদু য়েথোক্লগা হৌখিবা অদুদা ইন্দিয়াগী ওইনা ৱেথলিফটিং চেম্পিয়নদা অমত্তা ঙাইরবা শান্নরোয় ওইনা শরুক য়াখিবী মণিপুরমচা সাইখোম মিরাবাই চনুনা কিলোগ্রাম ৪৯গী সিলভর মেদল ফংলকপা অদুদা মায়কৈ কয়াদগী থাগৎ ৱাহে ফোঙদোক্লরক্লি।

কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী মায়কৈদগী কমরেদ এল সোটিনকুমারনা লুচিংবা টিম অমনা সাইখোম মিরাবাই চনুগী লম্লাই এসেম্বলি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা লৈবা নোংপোক ককচীংদা চৎতুনা মহাক্কী অপোকপা অমসুং অপোকপীগা লোয়ননা ইমুং-মনুং অমদি কৈরোই-লৈকাইগী মীওইশিং উনদুনা থাগৎ ৱাহে পীখি। পার্টি অসিগী মায়কৈদগী মিরাবাইগী অপোকপা অমসুং অপোকপীনা ৱানা হোৎনরকপগী মহয় ফংলে হায়না ফোঙদোরকখি।



ওল মণিপুর স্পোর্টস এসোসিএসনগী মায়কৈদগী সাইখোম মিরাবাই চনুনা টোকিও ওলিম্পিক গেমস ২০২০গী অহৌবা নুমীৎতা ইন্দিয়াগী সিলভর মেদল অমা ফংখিবা অদুদা এসোসিএসন অসিগী মায়কৈদগী হরাউবা অমদি থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা তুংদা শান্নরোয় অসিনা অহেনবা মায় পাকপা ওইরসনু হায়রক্লি।

ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস গার্জিয়ান্স ওর্গনাইজেসনগী মায়কৈদগীসু সাইখোম মিরাবাইনা ওলিম্পিককী সিলভর মেদল ফংলকপা অদুদা থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা লৈঙাক্লা মতিক চাবা ফম অমা পীবীয়ু হায়না মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনগী পূক্লিং চিংশিনখি।

## টুনিসিয়াগী হাফনোইনা নুপাগী মিটর ৪০০গী স্বিম্মিং গোল্ড ফংখ্রে

টোকিও, জুলাই ২৫ (এজেন্সী): মশাগী চহী ১৮দা ঙাইরিবা টুনিসিয়াগী অহমদ হাফনোইনা ঙসি পাঙথোকখিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী নুপাগী স্বিম্মিংগী মিটর ৪০০গী ফ্রীষ্টাইল ইভেন্টতা গোল্ড মেদল ফংখ্রে।

হাফনোইনা নুপাগী মিটর ৪০০গী ফ্রীষ্টাইল স্বিম্মিং ইভেন্ট অসি মতম শাংনা ওষ্ট্রেলিয়া, ন্যু জিলেন্দ অমসুং এসিয়াগী লৈবাকশিংনা খূদুম চন্দুনা লাকখিবা অদু ঙসি রেকোর্দ থুগায়দুনা মিনট ৩:৪৩.৩৬তা ইরোয়দুনা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি।

কুমজা ১৯৯২ বর্সেলোনা ওলিম্পিক গেমসকী মতুংদা এসিয়া নৎত্রগা ওসিনিয়াগী ৱাংমদা লৈবা স্বিম্মর অমত্তনা নুপাগী মিটর ৪০০গী ফ্রীষ্টাইল ইভেন্ট অসিদা গোল্ড মেদল ফংবা ঙম্লক্ত্রি।

ঙসিগী ইভেন্ট অদুদা হাফনোইনা গোল্ড মেদল ফংলগা ওষ্ট্রেলিয়াগী জেক মেকলোগ্লিননা মিনট ৩:৪৩.৫২দা সিলভর মেদল লৌখি। অদুগা য়ু এস এগী কৈরান স্মিথনা মিনট ৩:৪৩.৯৪দা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখি।

নুপীগী মিটর ৪০০গী ফ্রীষ্টাইল রিলেদা ওষ্ট্রেলিয়ানা অনৌবা ৱর্ল্ড রেকোর্দ অমা থম্বা ঙমখিবগা লোয়ননা গোল্ড মেদল লৌখি। ওষ্ট্রেলিয়াগী টিম অদুনা মিনট ৩:২৯.৬৯দা ইরোয়দুনা অনৌবা ৱর্ল্ড রেকোর্দ অদু থম্বা ঙমখিবনি। মমাংদা লৈখিবা ৱর্ল্ড রেকোর্দ অনী অদুসু ওষ্ট্রেলিয়াগী স্বিম্মরশিংনা থম্বা ঙমখি। ইভেন্ট অদুগী সিলভর মেদল অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল অদুনা মথংশিংনা কানাদা অমসুং য়ু এস এনা লৌখি। নুপীগী মিটর ৪০০গী ইন্দিভিজ্যুএল মেদলে ইভেন্টকী গোল্ড মেদল অদু ওলিম্পিক্সকী য়ূম্বু জপানগী স্বিম্মর য়ুই ওহাচিনা মিনট ৪:৩২.০৮দা গোল্ড মেদল ফংখি। য়ু এসকী স্বিম্মর অনীনা সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ লৌখি।

## ইন্দিয়ানা স্রি লঙ্কাবু টি-২০ মেটচ অহুমগী সেরিজগী অহানবা শান্নবা মেটচতা রন ৩৮দা থোইদুনা মাঙজিল থাবা ঙমখ্রে

কলম্বো, জুলাই ২৫ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী অনীশুবা নুপাগী ক্রিকেট টিমনা স্রি লঙ্কাদা টুর চৎথরিবা অসিগী মনুং চন্না ঙসি শান্নখিবা টি-২০ মেটচ অহুমগী অহানবা মেটচ অদুদা য়ূম্বু লৈবাক অদুবু ইন্দিয়ানা রন ৩৮দা থোইখ্রে।

মেটচ অদুগী টোস স্রি লঙ্কানা ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। মদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৫ আউট ওইরগা রন ১৬৪ লৌবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী ইন্নিংস হৌরকপদা ফীভম শোকখি। ইন্দিয়াগী ওপনর পৃথিবী সো মেটচ অদুগী অহানবা বোলদা রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা আউট ওইখি। অদুবু কেপ্টেন সিখর ধৱন অমদি সঞ্জু সেমসননা অনীশুবা ৱিকেট পার্টনরশিপতা স্রি লঙ্কাগী বোলরশিং অদুবু নীংথিনা মায়োক্লদুনা রন ৫১ হাপচিনবা ঙমখি। সেমসন বোল ২০দা রন ২৭ লৌরম্লগা আউট ওইখি। মহাক্কী ইন্নিংস অদুদা সিক্স ২ অমসুং ফোর ২ য়ৈরমখি। সেমসনগী মহুৎ সুরিয়া কুমারনা য়াদবনা মহুৎ শিনখি। মহাক্না ধৱননা মখা তানা রন ১১৩ শুহনবা ঙমখি। ধৱন বোল ৩৬ মায়োক্লবদা সিক্স ১গা ফোর ৪ য়ৈরম্লগা রন ৪৬তা আউট ওইখি।



সুরিয়া কুমার বোল ৩৪ মায়োক্লরগা সিক্স ২ অমদি ফোর ৫ য়ৈরবা মতুং আউট ওইদুনা রন ৫০ লৌরমখিবা অদুনা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী ফজবা স্কোর ওইখি। ইশান্ত কিষন বোল ১৪দা রন ২০ লৌবা ঙমখি। ওভর ২০ লোইশিল্লকপদা ইন্দিয়াগী রন ৱিকেট ৫ তুরগা রন ১৬৪ লৌখি।

স্রি লঙ্কানা মায় পাক্লনবা রন ১৬৫ লৌনবগী টার্গেট অদু য়ৌনবা হোৎনরকপদা অপীবা ওভর ২০ য়ৌদ্রিঙৈ ১৯শুবা ওভরগী ৩শুবা বোলদা বেটসমেন ১০ আউট ওইরগা রন ১২৬ খক লৌখিবদগী মেটচ অদু ইন্দিয়ানা রন ৩৮দা থোইবা ঙমখি।

স্রি লঙ্কাগী মায়কৈদগী মরিশুবা বেটসমেন সরিট অসালনকানা শুপ্নগী বোল ২৬তা সিক্স ৩ অমদি ফোর ৩ য়ৈরগা রন ৪৪ লৌরম্বা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। ওপনর অভিস্কা ফর্নান্দোনা রন ২৬ লৌরম্বা অদুনা অনীশুবা খ্বাইদগী ফজবা স্কোর অদু স্রি লঙ্কাগী ওইখি। ৬শুবা বেটসমেন দাসুন সনাকা রন ১৬ লৌবা ঙমখি। অদুবু অতোপ্পা বেটসমেনশিংদি রন ১৫ য়ৌবা ঙমদনা আউট ওইখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী বেটসবোলর ভুবনেশ্বর কুমারনা ওভর ৩গা বোল ৩ লংবদা স্রি লঙ্কাগী বেটসমেন ৪ আউট তাহনবা ঙমখিবা অদুনা মেটচ অদুমায় পাকপগী খ্বাইদগী অচৌবা থৌদাং অদু লৌখি। অতোপ্পা বোলরশিংসু ৱিকেট লৌবা ঙমখি।

## ইরানগী রিফ্যুজি কিনিয়া অলিজাদেনা টাইক্বোন্দো গোল্ড মেদল ২ ফংখ্রবা শান্নরোয় মায়থীবা পীখ্রে

টোকিও, জুলাই ২৫ (এজেন্সী): ইরানদগী দিফেক্ট তৌখ্রবা রিফ্যুজি কিনিয়া অলিজাদেনা ঙসি পাঙথোকখিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী টাইক্বোন্দো ইভেন্টতা ওলিম্পিক গোল্ড মেদল অনীরক ফংবা ঙমখ্রবা শান্নরোয় বৃটেনগী জেদ জোন্সপু মায়থীবা পীখ্রে।

চৎথরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসিদা রিফ্যুজি ওলিম্পিক টিম হায়না তোঙানবা লৈবাকশিংদগী থোরক্লগা শেমখিবা টিম অদুগী শান্নরোয় অমা ওইরিবী ইরানদগী হৌরকখিবী কিনিয়া অলিজাদেনা ঙসি রাউন্দ ওফ ১৬গী নুপীগী কিলোগ্রাম ৫৭কী কম্পিটিসন অদুদা বৃটেনগী চেম্পিয়ন অদুগা ওলিম্পিককীসু গোল্ড মেদল অনী লৌবা ঙমখ্রবী জেদ জোন্সপু পোইন্ট ১৬-১২দা থোইদুনা কার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

পনবা য়াবদি, অলিজাদে কুমজা ২০১৬তা ব্রাজিলনা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা রিও ওলিম্পিক গেমসতা হায়রিবা ইভেন্ট অসিগী ওইনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবনি।

অলিজাদেনা কম্পিটিসন অসিগী অহানবা রাউন্দদা ইরানগী অতোপ্পা শান্নরোয় নাহিদ কিয়ানিবু পোইন্ট ১৮-৯দা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রবা মতুং বৃটেনগী শান্নরোয় জোন্সপু মায়থীবা পীখি।

টাইক্বোন্দো ইভেন্ট অসিগী ওইনা ঙসি টোকিওদা লৈবা মাকুহারি মেসে কনভেন্সন সেন্টরদা ভাবোক য়াওদনা পাঙথোকখিবা কম্পিটিসন অদুদা অলিজাদেনা বৃটেনগী ওলিম্পিক গোল্ড মেদল অহুম থংন-থংননা ফংননবা হোৎনরকখিবী জোন্সপু ঙসিগী বাউট অদু লোইগদবা সেকেন্দ ৩০ ৱাৎলিঙৈদা ফজবা হেনবদগী মায় পাকখিবনি।

## রোবর্ট লিৱানদোস্কি সিজন অনী থংননা জর্মন প্লেয়র ওফ দি ইয়রগী ভোটতা মায় পাকখ্রে

বর্লিন, জুলাই ২৫ (এজেন্সী): জর্মনিগী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব বেয়র্ন ম্যুনিককী ষ্ট্রাইকর পোলেন্দ মচা রোবর্ট লিৱানদোস্কিবু লৈবাক অদুগী খ্বাইদগী ফজবা ফুটবোল শান্নরোয়গী মনা অদু সিজন অনী থংননা ভোট তৌনবদা মায় পাকখ্রে।

মশাগী চহী ৩২ শুরবা পোলেন্দ মচা লিৱানদোস্কিবু লৈবাক অদুগী মমিং লৈরবা ফুটবোলগী মেগাজিন কিক্করনা তোঙান-তোঙানবা জর্নেলিষ্টশিংগী ওইবা ভোট পীনবদা হৌখিবা সিজনসু মহাক্না খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোয়গী মনা অদু ফংখ্রবা মতুং হন্দক্কী সিজন অসিদসু থংননা চহী অনী ফংখিবনি।

ফুটবোল মেগাজিন কিক্করনা তোঙান-তোঙানবা জর্মনিগী জর্নেলিষ্টশিংগী ওইবা ভোট পীনবদা পূন্না ভোট মশীং ৫৬৩গী মনুংদা ৩৫৬ ফংদুনা সিজন অসিদা জর্মনিগী ওইবা খ্বাইদগী ফজবা ফুটবোল শান্নবগী মিংথোল অদু ফংখিবনি।

লিৱানদোস্কিনা সিজন অসিদা জর্মনিগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা বুন্দেসলিগাগী ওইনা মে থাদা লোইশিনখিবা লীগ অদুদা পূন্না পাঞ্জল ৪১ চন্দুনা মমাংদা মমিং লৈরবা শান্নরোয় গর্দ ম্যুলরগী চহী ৪৯ শুরবা রেকোর্দ অদুগা মান্নবা ঙমখি। স্পোর্টস মেগাজিন কিক্করনা লৌখিবা ভোট অদুদা বেয়র্ন ম্যুনিককী অতোপ্পা শান্নরোয় জর্মন মচা থোমাস ম্যুলরনা ভোট মশীং ৩১৫ ফংলগা অনীশুবা তাখি।




## নেসনল স্পোর্টস দে পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচ এন এস): ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা শীন্দুনা চহী অসিগী ওইনা নেসনল স্পোর্টস দে পাঙথোকপগা মরী লৈননা ওগষ্ট ১৪দগী ২৯ ফাওবা লৈবাক শীনবা থুংনা গ্রাসরুট এক্টিভিটিজ কয়া পাঙথোক্লনবা শেম শারি। থৌরম অসিগা মরী লৈননা দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন/ দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন/ গ্রাসরুট সেন্টরশিং অমদি তোঙান-তোঙানবা লূপশিংদা পীরিবা মতম অসিদা লৈঙাক্কী এস ও পি ঙাক্লা ষ্টেটশিংদা ফুটবোলগী ওইনা গ্রাসরুট দিভলপমেন্টকী থৌরম পায়খৎকদবনি হায়রি। মসিগা মরী লৈননা ওগষ্ট ১৪গী অয়ূক্তা ৱেভিনার অমসু পাঙথোক্কনি হায়রি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE

**PUZZLE NO. 181**



**GM Moussard, Jules (2608) - GM Duda, Jan-Krzysztof (2734)**
**Chess24 Banter Blitz Cup chess24.com INT, 2020.03.10**

1.Nf3 c5 2.g3 Nf6 3.Bg2 b6 4.O-O Bb7
5.c4 g6 6.b3 Bg7 7.Bb2 O-O 8.d4 cxd4
9.Qxd4 Nc6 10.Qf4 d5 11.Rd1 Qc8 12.Nc3 Nh5
13.Qh4 Bf6 14.Qh3 dxc4 15.Rac1 cxb3 16.axb3 Qxh3
17.Bxh3 Rfd8 18.Rxd8+ Rxd8 19.Ba3 Bxc3 20.Rxc3 Rd1+
21.Kg2 Nd4 22.Rc7 Bxf3+ 23.exf3 Nf4+ 24.gxf4 Ne2
25.Bg4...

**QUESTION :**
**Black to win**

**Puzzle 180 Ans. :**
31. ...Nxd2 The black knight captures White's bishop, which was defending square e1. 32.Rxf7 Re1+ 33.Kh2 Nf1+ 34.Kh1 Ng3+Double check 35.Kh2 Rh1#Arabian mate

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com